অহানবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট পোলো টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে

# এক্স পোলো ক্লবনা মণিপুর পুলিস-বি থোইদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬(ঐচএনএস): মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরকপা অহানবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২২ ঙসি ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর টি ঐচ কিরনকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা লোইশিনখিবগা লোয়নননা এক্স পোলো ক্লব নোংমৈবুংনা ৱিন্নর অমদি মণিপুর পুলিস-বিনা রন্নর্স অপ তাখ্রে।



মপাল কাংজৈবুংদা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা এক্স পোলো ক্লব নোংমৈবুংনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব-বিবু ১১-৫দা মায়থীবা পীখি।

টিম অনীনা শান্নবা হৌরকপগী অহানবা মিনট অমা ফাওবা শগোল হনগৎ হন্দা থৌনরবা মতুং এক্স পোলোগী এল অতাংবনা শান্নবগী ১.৩৬ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ২.৩৪ শুবা মিনটতা গোল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। টি ঐচ জেকোবনা শান্নবগী ২.১২দা এক্স পোলোগী অনীশুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৩.০৮ অমদি ৪.৫৬ শুবা মিনটতা এক্স পোলোগী গোল ২ অমগা হাপচিনখি। চক্কর লোইরমদাই পুলিস টিমগী ভাইস কেপ্টেন কে ঐচ নোংপোকঙানবনা শান্নবগী ৬.১১ শুবা মিনটতা গোল ১ চনখিবগা লোয়নননা এক্স পোলোনা পুলিস টিম-বিবু ৫-১দা অহানবা চক্কর লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা চক্করগী শান্নবদা এক্স পোলোগী শান্নরোয়শিংগী খূদুম চনবা মখা চথরকপা ওইনা টি ঐচ জেকোবনা শান্নবগী ৬.২১ শুবা মিনটতা মহাক্কী ৪শুবা গোল চনখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা এল অতাংবনা শান্নবগী ৬.৩৫দা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি।

অহুমশুবা চক্কর হৌরকপগী ০.০৭তা টি প্রদিপনা পুলিস টিমগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা চক্কর লোইরমদাই ৭.০৪দা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। কেপ্টেন ও সুরেশকী মহুৎতা চঙলকখিবা টি ঐচরঞ্জিৎনা শান্নবগী ৩.৪৫দা পুলিস টিমগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি।

চক্কর অসিদা এক্স পোলোগী অতাংবা অমদি এল কোকেশ্বরনা শান্নবগী ১.২০ অমদি ৬.৪১দা গোল অমমম্ হাপচিন্দুনা পুলিস টিমবু ৯-৪দা মাংজিল থাখি।

এল অতাংবনা মখা তানা অরোইবা চক্করগী শান্নবগী ২.২৫ শুবা মিনটতা মহাক্কী মঙাশুবা গোল চনবা ঙমখি অদুগা ইকান কান্নদনা শান্নবগী ২.৪৯দা জেকোবকীসু মহাক্কী ৫শুবা অমদি মায় পাকপগী ১১শুবা গোল চনবা ঙমখি।

পুলিস টিমগী টি প্রদিপনা শান্নবগী ৪.৫৬ শুবা মিনটতা গোল অমগা হাপচিনবা ঙমখিবগা লোয়নননা এক্স পোলো ক্লবকী মখূৎতা ৫-১১দা মায়থীদুনা রন্নর্স অপ তাহৌখিবনি।

মেটচ অসিদা এল থোমসন অমদি কে জোগেন্দ্রনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ দিলিপনা থৌরম মপু ওইখিবগা লোয়নননা ৱিন্নর ওইখিবা এক্স পোলো ক্লব নোংমৈবুংদা ট্রোফিগা লোয়নননা লুপা লিশিং ৫০গী শেলগী মনা অদুগা রন্নর্সঅপ তাখিবা মণিপুর পুলিস-বিদা ট্রোফিগা লোয়নননা লুপা লিশিং ৪০গী মনা খূৎশিন্নখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা টিম ৬- চীঙ্খেৎহুনবা পোলো ক্লব, মণিপুর পুলিস-এ, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসন, সীআরপিএফ পোলো টিম, অসাম রাইফলস পোলো টিম অমদি টেকচম পোলো ক্লবতা লুপা লিশিং ৩/৩গী মনাসু খূৎশিন্নখি।

# পুহিংখুন একাদেমিগী বোক্সিং রিং ইন্সটোল তৌখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬(ঐচএনএস): পূন্না হিংমিন্নবা খুন্নাই (পুহিংখুন) বোক্সিং একাদেমি উরিপোক তখেল্লম্বম লৈকাইগী অনীশুবা মপোককুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি লৈকাই অসিমক্তদা লৈবা এন জি কোলেজকী ইন্দোর হোলদা বোক্সিং রিং অমা ইন্সটোল তৌখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা একাদেমি অসিদগী হৌখিবা নেসনল অমদি অতৈ মশক নাইবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুকয়ারম্লবা বোক্সরশিং, হেদ কোচ, কোচশিং অমদি ট্রেনরশিংদা অচম্বা খূদোল পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

ঙসি নৌনা ইন্সটোল তৌখিবা বোক্সিং রিং অসিদা নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংগী তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটগোরিগী এগজিবিসন বাউটশিং মীয়ামদা উৎখি।

নুপামচাগী কেজি ৩৩গী বাউটতা পি বি এগী এন ধনরাজ অমদি সরিতা রিজনেল বোক্সিং একাদেমিগী থাংমৈশাং, কেজি ৩৫দা টি বি এগী যসোবন্ত য়েংখোম অমদি বি বি এগী এল রোমেশ, কেজি ৪০দা পি বি এগী জি মাইকেল অমদি এন এস এগী এন মঙাল, কেজি ৪৬তা পি বি এগী সী ঐচ অগু অমদি মেরি কোম বোক্সিং একাদেমিগী লেনজিনমাং কিপজেন, কেজি ৫৫দা পি বি এগী জয়রাজ অমদি এম বি এগী কে থৌঙম্বা, কেজি ৬৩.৫দা পি বি এগী কে রোদ্রিক অমদি এস বি এগী বারুনগী বাউটশিং পাঙথোকখি।

নুপীমচাগীদা কেজি ৪৬তা পি বি এগী এল সুজন অমদি টি বি এগী আই সোমিয়া, কেজি ৫৭তা পি বি এগী এলিনা কে ঐচ অমদি সাইগী ৱাই রখি, কেজি ৬০দা পি বি এগী পুয়ালক্সমী কে ঐচ অমদি টি বি এগী পি সন্ধ্যরানীগী বাউটশিং উৎখি।

থৌরম অদুদা এন জি কোলেজকী প্রিন্সিপাল অশোক আর সীনা অথোইবা মীথুংলেন, পুহিংখুনগী প্রসিদেন্ট তখেল্লম্বম বাবুনা থৌরম মপু অদুগা সাইখুমন লম্পাক্কী দেপ্যুটি দিরেক্টর লৈশাংথেম ইবোমচা, মণিপুর পুলিসকী এদিসনেল এস পি লাইশ্রম সরিতা অমদি মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ফৈরোইজম ধনজিৎনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

শরুক য়াখিবা প্রসিদিয়ম মেম্বর-শিংগী ৱারোল পীরদুনা একাদেমি অসিনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা ষ্টেট অসিগী মতিং লৈবা শান্নরোয়শিং পুথোকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়না য়াইফ থৌজালগী ৱারোলশিং পীখি।

১৩শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স লীগ

# এম পি এস সী, ৱাই দব্লিয়ু সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ১৩শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগকী ঙসি অয়ূক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অনীদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) অমদি দি য়ং ৱেলফ্যের ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী) লংথবাল মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা য়ুঠ ৱেলফ্যের ক্লবপু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

ঙাঙোম বালানা শান্নবা হৌরকপগী ৭শুবা মিনটতা পুলিস টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫১ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি। সলাম রিনারোইনা শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা পুলিস টিমগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা দি য়ং ৱেলফ্যের ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী) লংথবালনা য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিএসন (য়ু পি এস এ)বু ২-১দা মায়থীবা পীখি।

ৱেমী থোকচোম অমদি তোইজম থোইবীসনা চনুনা শান্নবগী ২৩ অমদি ৩৫ শুবা মিনটতা ৱাই দব্লিয়ু সীগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু চনবা ঙমখি। পুখাওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা নোংমৈকাপম শিভানিনা শান্নবগী ৩৮ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

নেসনল মাষ্টর পাৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ

# এন সুবদনীনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬(ঐচএনএস): মহারাষ্ট্রনা য়ূম্মু ওইদুনা থা অসিগী ১২দগী হৌদুনা চন্দ্রপুর দিষ্ট্রিক্টকী শ্রিমঙ্গল কর্য্যলে ভদ্রভতিদা চথরকপা নেসনল সিনিয়র এন্দ মাষ্টর ক্লাসিক মেন এন্দ ৱিমেন পাৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপকী ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎতা ষ্টেটকী নুপী মাষ্টর পাৱরলিফটর নাওরোইবম সুবদনীনা মাষ্টর-২ কেটগোরিগী কেজি ৮২গী কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে।



মহাক্না স্কৱাটতা কেজি ৪৫, বেঞ্চ প্রেসতা কেজি ৩০ অমদি দেদ লিফটতা কেজি ৬০ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।

কাঙলূপ অসিদা অন্ধ্র প্রদেশনা গোল্ড অমদি মহারাষ্ট্রনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

# ও এস এ, বি এফ এ অহৌবা মেটচতা দ্রো ওইখ্রে

এ ইবোতোন য়ু-১৫ বোইজ থর্দ দিভিজন লীগ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা ৭শুবা এ ইবোতোন মেমোরিএল থর্দ দিভিজন অন্দর-১৫ ফুটবোল লীগ ঙসি বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখিবগা লোয়নননা গ্রুপ এগী অহৌবা মেটচতা ও এস এ ওইনাম অমদি বি এফ এ নাচৌ ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১০না গ্রুপ অনী থোক্তুনা শরুক য়ারি।

ও এস এ অমদি বি এফ এ অনীনা শান্নখিবা মেটচতা নাচৌগী ও বোরিশনা শান্নবা হৌরকপগী ৬শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা ওইনামগী রিশিকান্তনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৬ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনখিবনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা এন ঐচ পি সী লিমিটেদকী রিটায়র্দ সিনিয়র মেনেজর থিয়াম য়াইমনা অথোইবা মীথুংলেন, অম্ফাগী প্রসিদেন্ট এম রতনকুমারনা থৌরম মপু অমদি সোসল ৱর্কর সলাম জিবননা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# সিলভর মেদলিষ্ট নিংথিবী পূক্কিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬(ঐচএনএস): গুজরাটনা য়ূম্মু ওইদুনা হন্দক্তগা পাঙথোকখিবা ৩৬শুবা নেসনল গেমসকী রুশু মশান্নদা সিলভর মেদল ফংলকখ্রবী ইন্টরনেসনল প্লেয়র দব্লিয়ু নিংথিবীবু থাংজ নুমিৎতা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা থাংমৈবন্দগী মীয়াম্না লৈ পরেং হুক্তুনা ইকাই খুম্নখ্রে।



থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লব (টি য়ু সী)না শীন্দুনা থাংমৈবন্দ দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা ইমা ইবেম্মা খুম্বোকহানবী শঙলেন্দা ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখিবগা লোয়নননা থাংমৈবন্দগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা লুপা লিশিং ১০গী শেলগী মনা পীদুনা পূক্কিং থৌগৎখি।

থৌরম অদুদা টি য়ু সীগী প্রসিদেন্ট লৈশাংথেম প্রতাপ য়াওনা ষ্টেট রুশু টিমগী ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

# মণিপুরনা য়ু পি মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬(ঐচএনএস): ৱেষ্ট বেঙ্গলনা য়ূম্মু ওইদুনা কোলকাটাগী কালিকাপুরদা লৈবা জ্যোটিরমোই নোলেজ পার্কতা ৩২শুবা সিনিয়র (মেন এন্দ ৱিমেন) নেসনল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপকী ঙসি হৌদোকখিবগা লোয়নননা অহৌবা নুমিৎতা নুপাগী টিম ইভেন্টতা মণিপুরনা য়ু পিবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা রেগুদা ২১-১২, ২১-১৭; অনীশুবা রেগুদা ২১-১৪, ২১-১৮ অমদি অহুমশুবা রেগুদা ২১-১৮, ২১-১৮দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, নুপীগী টিম ইভেন্টতা মণিপুরনা হরয়ানাবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি। অহানবা রেগুদা ২১-৪, ২১-১৩; অনীশুবা রেগুদা ২১-৫, ২১-১৩ অমদি অহুমশুবা রেগুদা ২১-৮, ২১-২দা মায়থীবা পীখি।

# য়ু এস সী, ঐচ এন এস সী দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬(ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা মালোমগী ৱাই দব্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা চথরিবা ৫শুবা মণি থর্দ দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ু এস সী অমদি ঐচ এন এস সী ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

য়ু এস সীগী গোল অদুনা কৃষ্ণনন্দনা শান্নবগী ৩৮ শুবা মিনটতা অদুগা ঐচ এন এস সীগী গোল অদুনা মিংশাৎপনা শান্নবগী ৬৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

# সিলভর মেদলিষ্ট তোমথিনঙানবা ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬(ঐচএনএস): গুজরাটনা য়ূম্মু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৩৬শুবা নেসনল গেমসতা ওরিষ্যা ষ্টেট রিপ্রজেন্ট তৌদুনা কেনোয়িং এন্দ কয়াকিং মশান্নদা সিলভর মেদল ফংলকখিবা য়ুরেম্বম অৱাং লৈকাইদগী তোমথিনঙানবা ঙাসেপমবু ঙসি য়ুরেম্বম অপূনবা ক্লব (ৱাই এ সী)না শীন্দুনা ক্লব অসিগী শঙলেন্দা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

তোমথিনঙানবনা কেনোয়িং এন্দ কয়াকিংগী কে-ৱানগী মিটর ১০০০ অমদি ২০০গী ইভেন্টতা সিলভর মেদল অনী ফংবা ঙমখিবনি।

থৌরমগা মরী লৈননা মহাকপু অচম্বা খূদোল পীদুনা পূক্কিং থৌগৎখি।

# এন জি কোলেজনা এম আই টি থোইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬(ঐচএনএস): মোইরাং কোলেজ গ্রাউন্দা চথরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এন জি কোলেজনা এম আই টিবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

লানঙম্বা অমদি পাওমিনসাংনা এন জি কোলেজকী গোলশিং চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অনীদা নাওরেম বিরহরিনা থম্বাল মরিকপু ৭-০দা অদুগা মাঙ্গোলঙানবীনা মহারাজ বোধচন্দ্রবু ৪-১দা মায়থীবা পীখি।

# ফুটবোল টর্ফ 'এরেনা ৫/৯' শঙ্গাখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬(ঐচএনএস): উরিপোক বাচস্পতি লৈকাইদা লৈবা হেরিটেজ কনভেন্ট স্কুলগী কেম্পসতা ঙসি 'এরেনা ৫/৯' হায়না মিংথোনবা ফুটবোল টর্ফ গ্রাউন্দ অমা হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হেরিটেজ কনভেন্টকী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর বিক্রম সঞ্জেনবম, শক্লাইরবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল প্লেয়র পোৎশংবম রেনেদি অমদি পুজা এলাংবমসু শরুক য়াখিবগা লোয়নননা মীয়াম্না টর্ফ গ্রাউন্দ অসিবু রেজিষ্টর তৌবদা হেন্না খূদোংচানবা www.arena59.in হায়বা ৱেবসাইট অমসু লোঞ্চ তৌখি।

ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# জর্মনিনা কোচ হান্সি ফ্লিককী মখাদা মখোয়গী ৫শুবা টাইটলগীদমক শেম শাখ্রে



জর্মনিগী হেদ কোচ হান্সি ফ্লিক

নুমিৎ ৩৪নি খক্তা ঙাইরে মীয়াম্না শোন্নবা ৱর্ল্ড কপ-ৱর্ল্ড কপ উবা ফংগদবা

য়ুরোপকী অচৌবা ফুটবোল লীগশিংগী খ্বাইদগী ফৱা ফুটবোল কোচ ওইবদা নৎতনা কুমজা ২০২০গী ওক্টোবর থাদা য়ুরোপ কোচ ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রবা হান্স-দাইটর ফ্লিককী লমজিং মখাদা জর্মনিনা মখোয়গী মঙাশুবা ৱর্ল্ড কপ টাইটলগীদমক শেম শাখ্রে।

২০০৬কী ওগষ্টতগী ২০১৪গী জুলাই ফাওবা জর্মনি নেসনল টিমগী এসিষ্টেন্ট কোচ ওইরম্বদগী মমাং চহীগী মে ২৫দগী চহী ৩গী কন্ট্রেক্টতা জর্মনি নেসনল টিমগী মেনেজর ওইনা খূৎয়েক পীনখিবা মতুং ফ্লিকনা মহাক্কী অহানবা মেটচতা জর্মনিনা লিষ্টেনটাইনবু ২-০দা ২০২২ ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফিকেসন মেটচতা মায়থীবা পীখি। মদুগী মতুং চহী অসিগী জুন ৪দা য়ু ঈ এফ এ নেসন্স লীগকী ইটলিগা শান্নখিবা মেটচতা জর্মনিবু ১-১দা দ্রো ওইহনখি। মতুং তারকপা মহাক্কী অহানবা মেটচ ১০ কনামত্তনা মায়থীবা পীবা ঙমহনখিদে অদুবু চপ মান্নবা কম্পিটিসনদা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২৩দা হঙ্গেরিগা শান্নখিবা মেটচতা জর্মনিনা ০-১দা মায়থীখি।

ৱর্ল্ড কপকী পুৱারীদা জর্মনি নেসনল ফুটবোল টিমনা খ্বাইদগী সক্সেসফুল ওইবা টিম ওইবদা নৎতনা ৱর্ল্ড কপ টাইটল মরিরক, সেকেন্দ প্লেস অনীরক, থর্দ প্লেস মরিরক অমদি ফোর্থ প্লেস অমুকরক তাবা ঙমখ্রে।


হন্দক্কী কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা ব্রাজিল ২০১৪গী ৱিন্নর ওইবা মতমদা শরুক য়াখিবা জর্মনিগী শান্নরোয় খরা শরুক য়াগদৌরি অমদি মখোয়গী মনুংদা প্লানেট অসিদা খ্বাইদগী ফৱা মিদফিল্ডরসু য়াওরি।

বেয়র্ন ম্যুনিককী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা গোলকিপর মেন্যুল ন্যুঅরনা কটার ২০২২দা কেপ্টেন ওইদুনা জর্মনিগী অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরি। মহাক্না কটার ২০২২গী ক্বালিফায়রদা সিঙ্গল গোল অমত্তা চলহনবগী খূদোংচাবা পীখিদবনি।

ফ্লিককী স্কৱাদকী মরুওইবা ইলিমেন্ট ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিককী দিফেন্সিভ মিদফিল্ডর পোজিসনদা শান্নরিবা জেসুআ কিম্মিচ, টিম অসিমক্তদা শরুক য়ারিবা লৈবাক্কী ইন্টরনেসনল মেটচ ১১৬ শান্নখিবদা গোল ৪৪ চনখিবা থোমাস মুল্লর অমদি এন্টোনিও রোদিগরনা মায় পাক্না কেম্প্যেন চঙশিনবা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি। চেলসিনা ২০২১গী চেম্পিয়ন্স লীগ টাইটল লৌবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা টিমো ৱর্নরসু তোপ-তোপ্পা পর্ফোর্মেন্সশিং পীনবা হোৎনগদৌরি।

| Date | Match Details (Grp-E) | Venue |
|---|---|---|
| November 23 | Germany vs Japan | Khalifa International Stadium |
| November 27 | Germany vs Spain | Al Bayt Stadium |
| December 01 | Germany vs Costa Rica | Al Bayt Stadium |

কটার ২০২২দা মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবা জর্মনিগী শান্নরোয় ৫



মেন্যুল ন্যুঅর (গোলকিপর)
এন্টোনিও রুদিগর (সেন্টর বেক)
জোসুআ কিম্মিচ (দিফেন্সিভ মিদফিল্ডর)
থোমাস মুল্লর (মিদফিল্ডর)
টিমো ৱর্নর (ফোরৱার্দ)

# হৈরোক এফ সীনা মাইপাকপী ট্রোফিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬(ঐচএনএস): মঙাল ফাউন্দেসন হৈরোকনা শীন্দুনা সিটি ক্লব গ্রাউন্দদা চথরকপা অহানবা মাইপাকপী নীংশিং ট্রোফি ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা হৈরোক এফ সীনা য়াইরিপোক এফ সীবু লাকচনা ৬-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

হৈরোক এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জোন্সন অমদি রোশননা গোল ২/২ অদুগা অরুন অমদি প্রেমজিৎনা অমমম্ চনবা ঙমখি।

য়াইরিপোক এফ সীগী এম দি নৱাজনা মেন ওফ দি ফাইনেল মেটচকী মনা ফংখি।


টুর্নামেন্ট অসিদা কবি তিংসোই সেনাপটিনা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমগী মনা ফংবা ঙমখি। দব্লিয়ুৱাই এফ সী ৱাংজিংগী টি প্রিয়োজিৎনা বেষ্ট গোলকিপর অদুগা হৈরোক এফ সীগী এ ননাও, এল রোশন অমদি কে এল অরুননা বেষ্ট দিফেন্দর, তোপ স্কোরর অমদি বেষ্ট প্লেয়রগী মনা ফংবা ঙমখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা য়াসকী মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা অথোইবা মীথুংলেন অমদি থোকচোম ইবোচৌবনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।



HL-P/4505/17,18

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 601

**Gregory S Kaidanov (2420) - Viswanathan Anand (2500)**
**Moscow-B Moscow, 1987**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 c6 | 2.d4 d5 | 3.exd5 cxd5 |
| 4.c4 Nc6 | 5.cxd5 Qxd5 | 6.Nf3 e6 |
| 7.Nc3 Qd8 | 8.Bd3 Nf6 | 9.O-O Be7 |
| 10.a3 O-O | 11.Re1 b6 | 12.Bc2 Ba6 |
| 13.b4 Bc4 | 14.b5 Na5 | 15.Ne5 Rc8 |
| 16.Re3 Rc7 | 17.Rg3 Re8 | 18.Bh6 Bf8 |
| 19.Bg5 Be7 | 20.Bxf6 Bxf6 | 21.Bxh7+ Kxh7 |
| 22.Qh5+ Kg8 | 23.Ne4 Bd5 | 24.Rh3 Kf8 |
| 25. ... | | |

**QUESTION :**
**White to win**

Puzzle 600 Ans. :

19. ...Qh2+ The black queen attacks White's king, which is defending the square h1. 20. Kf1 Qh1+ 21. Ke2 Ng3+ 22. fxg3 Qxf3# Dovetail mate
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com